# রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ঐচ এন এস):**

অন্দর-২০ টুর্নামেন্টকী অহানবা ফেজগী সেলেকশন ট্রায়লগীদমক মখাদা পীরিবা শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা রিপোর্ট তৌরনবা অস্ফাগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অস্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ট্রায়ল সেলেকশন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক রিপোর্ট তৌরনবা খঙহনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)গী ৱাই লালেন, রুনি, ৱাই কিংসন, ঐচ অবুংম্না, বনায়ামিন, এস মোনিসন, বিশাল টি ঐচ, অর্জুন লুৱাং, কে ঐচ লানঙম্বা; দি এফ এ মোইরাংগী কে তোন্দোন, কে দেভিদ, এস জেক; দি এফ এ নোনেগী রৈজিপৌ, এস সুর্জকান্তা, কামৈ লাঙাংলুং কবুই, গুইপুইচুন পানমৈ, পালমৈ পান্টিরিন; দি এস এ বিষ্ণুপুরগী এস ঐচ মাইকেল, এল হেমসন, এম ইনাওবা, এল লমজিংবা, এন জোশ, এল রামদাস; দি এস এ তমেংলোংগী ইচুলুং জানমে; য়ু দি এস এগী হোখুই কামকারো, থোটমুংথাং হুংসি, হৈসেম কপাল; দি এস এ ককচীংগী দব্লিয়ু সনাতোম্বা, এল রাজু, এস রবিকান্তা, এস ঐচ অমিটকুমার, দব্লিয়ু সুমেশ; মাও এফ এগী মাসুঙম চিফাং, দি চোজিভিও, রিংসাংমি, ফুংরৈথিং, সক্রমরমন; দি এস এ সেনাপটিগী রোদুদুও, ফোক্রিনি আর্লিচো, নথানায়ল কাহুকিমৈ; কামজোং দি এফ এগী আর এস সোনয়ো, কে এ থেমপি, মসুংয়ার অৱুংশি; দি এস এ চান্দেলগী ঐচ এল ভেনিং, খুমলো ৱেলঙম, এস টি ষ্টেনলি অনাল; ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী এন বিদ্যাচন্দ্র, ৱাই লমজিংবা, টি ঐচ মজাইবুংঙো, এস ঐচ জেকসন, এম দি সরফারাজ, বেনিসন কে, কে ঐচ রাবজিৎ, এম তেলহৈবা, এম দি তাজউদ্দিন অমদি দি এফ এ থৌবালগী এন নিরঞ্জন, পি ঐচ রামেশ, এম দি সহির অলি, ঐচ বিরলা, এন রাজ অমসুং টি সেনাৱাকনি হায়রি।

EMPLOYMENT NEWS /
VEHICLES LOAN + EXCHANGE AVAILABLE

# H.Q (Khagempalli) office কী ওইনা Office Asst 2, Gr-IV = 2 nos.
# Samurou Branch কী ওইনা Office Asst. (Graduate + upto 30 yrs), 2/W Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Mechanic Helper 2, Car Driver 2 and Chicken Centre Helper 2.
# 2/3/4 Wheeler Loan অমসুং Used Vehicles Exchange গী Offer পীজরি।

Please Contact : L.G. Motor
Khagempalli, Imphal
# 9362775475

HL-B/9265/12/1-9/3(alt)

Admission Open
Don't Miss Out!
JCRE Skill Solutions
DCA
DIPLOMA IN COMPUTER APPLICATION
Learn | Innovate | Succeed
Eligibility: 12th Pass & Above
Duration: 6 Months
TRAINING CENTRE
Thangmeiband Meisnam Leikai
+91 7085051125
Kwakeithel Akham Leikai
+91 8798307379

HL-B/9302/26 Feb.

# এ কে এস দি ও অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী ফাইনেল শান্নরগনি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস):**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ বোইজ অন্দর-১৪ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা এ কে এস দি ও খাঙবোক্না কে এস দি ও ক্যামগৈ অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা আর সী এ লিলোং মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা ফাইনেলদা এ কে এস দি ও অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লম্বা তৌনরগনি।


এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা এ কে এস দি ও অমসুং কে এস দি ওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে এস দি ওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা শৈখ অঞ্জর অহমদ অমসুং খুথৈবম অবু সুফিয়াননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন অঞ্জর অহমদ বোল ৩০ মায়োক্লবদা শুপ্নতগী রন ২ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন অবু সুফিয়াননা বোল ১৯ মায়োক্লবদা রন ১৬ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন মোহমদ জুনেট শাহনবা বোল ১২ মায়োক্লবদা রন ১০ অদুগা শঙ্গোমশুন্বম এরিসনা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ১১ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৭৮ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

এ কে এস দি ওনা টার্গেট রন ৭৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা হৈন-শিংনা শান্নদুনা ওভর ১৩.৫ লোইবদা ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৮০ লৌদুনা মেটচ অদু এ কে এস দি ওনা রন ৭তা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ফাইনেল চঙখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এ কে এস দি ওগী পূন্সিবা অকোইজম্না তাখি।

অমরোমদা, খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা আর সী এ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা আর সী এনা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। আর সী এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৮ তুরগা পূন্না রন ১৪২ লৌবা ঙমখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীনা টার্গেট রন ১৪৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৭.২ লোইবদা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৪৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সীনা ৱিকেট ৪দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিয়ু সীগী এল চিংথংনা তাখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1405**

**GM Parham Maghsoodloo (2719) - GM Timur Gareyev (2602)**
**Titled Tue 13th Dec Early chess.com INT (6), 2022.12.13**

1.d4 d6 2.e4 g6 3.Nc3 a6 4.a4 b6 5.h4 h5 6.Nf3 Bg7 7.Bc4 e6 8.Bg5 Ne7 9.Qe2 Nd7 10.Rd1 Bb7 11.O-O O-O 12.Rfe1 Nf6 13.e5 Nh7 14.Bxe7 Qxe7 15.d5 exd5 16.Nxd5 Bxd5 17.Bxd5 Rae8 18.e6 fxe6 19.Qxa6 Qf6 20.Rxe6 Rxe6 21.Qc4 Rfe8 22.Re1 Kf7 23.Re4 Bh6 24.Rxe6 Rxe6 25.Nd4 Nf8 26.Qxc7+ Qe7 27.Qxb6 Kf6 28.Nxe6 Nxe6 29.g3 Nc5 30.a5 Be3 31.fxe3 Qxe3+ 32.Kh2 g5 33.Bg2 gxh4 34.Qxd6+ Kg5 35.gxh4+ Kxh4 36.Qd8+ Kg4 37.Qg8+ Kh4 38.Qd8+ Kg4 39.Qc7 Ne4 40.Qg7+ Ng5 41.Qd7+ Kh4 42.Qd6...


**QUESTION :** Black to draw

**Puzzle 1404 Solution :**

**34. ...Qh4** The black queen deflects White's queen away from protecting the knight. **35.Qxh4**

35.Qg3 Qxg3 36.hxg3 Bxf3+
35.Qg2 Qxf4
35.Kg2 Qf2+ 36.Kh1 Bxf3+

**35. ...Bxf3#** Double bishop mate
**0-1**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com